## ফম থাদোকপগী মতাংদা খন্নখিদে

হোং কোং, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সি) :
হোং কোংগী লিদর কেরি লাম্না চাইনানা লৈঙাক্লিবা সিটি অদুগী পোলিটিকেল ক্রাইসিস লোইশিনবা য়াননবা চাইনিজ গভর্নমেন্টতা মহাক রিজাইন তৌবা য়ানবগী অয়াবা পীবিনবা কৈদৌঙৈদসু হায়জখিবা লৈতে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হৌখিবা চয়োলদা বিজিনেস লিদরশিংদা মীয়াম্না য়াদবা বিল অমা পুথোক্কবা হোৎনরুবদা সিটি অদুদা ঙাকপিবা য়ারোইদবা মওংদা কাং-খোং চাইবগী ফিভম লাকহনখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

## ইরানগী টেঙ্করগী ট্রান্সপোন্দর মুথৎখ্রে

বৈরুট, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সি) :
টেহরান অমসুং নোংচুপ্লোমগী পৱারশিংগী মরক্তা য়েৎনবদা চেন্নরিবা ইরানগী ওইল টেঙ্কর অদ্রিয়ান দরিয়া ৱানা সিরিয়াগী নোংচুপ্তা লৈবা মেদিটরিনিয়ন সীগী মফম অমদা ট্রান্সপোন্দর মুথৎখ্রে হায়বসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রিফিনিটিভ সিপ-ট্রেক্কিং দেতানা উৎখ্রে।

# টালিবান্না হাউজিং কমপ্লেক্সতা এটেক তৌবদা মীওই ১৬ শিরে, পিছ দিলগী মতাংদা চিংনবা পোকহল্লে



কাবুল, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সি) :
টালিবান্না নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা অফঘান কেপিটেল কাবুলদা লৈবা ইন্টরনেসনল ওর্গনাইজেসনশিংনা শীজিন্নবা হাউজিং কমপ্লেক্স অমদা চথখিবা এটেক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শিখিবগা লোয়নননা লৈবাক অদুগী চহী ১৮ শুরক্লবা লান লোইশিন্নবগীদমক্তা হৌজিক কটরগী দোহাদা ৱারী শান্নরিবদুদা পিছ দিল অমা পুরকপা ঙমগদৌরিব্রা হায়বগী চিংনবা পোকহল্লে হায়রি।

শাথিরবা এটেক অদুবু লোকেল মীওইশিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা মখোয়না ওথোরিটিশিংদা নীংথিনা ঙাক শেল্লিবা কম্পাওন্দ অদুবু অতোপ্পা মফম অমদা হোংদোক্লবা তকশিনখ্রে। কিলোমিটর কয়া লাপ্না লৈবা বিল্ডিং কয়া নীংকহনখিবা বোমগী এটেক অদু অফঘানিষ্টান্দা মরা তপ্পা ফিভম লাক্লবগীদমক্তা অখন্ননা হাপখিবা য়ু এসকী এনবোই জালমে খালিজাদনা লালহৌবশিংগা খন্নগদবা ড্রাফট একোর্দ অমগী অকুপ্পা ৱারোলশিংগী মতাংদা টেলিভিজন ইন্টরভিয়ু অমদা কন্না ৱা ঙাঙলিঙৈদা চথরকখিবনি।

ট্রক বোম এটেক অদুদা অতৈ মীওই ১১৯ অশোক-অপন নংলে হায়না অফঘানিষ্টানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কনফার্ম তৌখি। মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্সমেন নুশ্রাট রাহিমিগী মতুং ইন্না ব্লাষ্ট অদুদা মফমদুদা লৈবা ফ্যুএল ষ্টেসন অমসু মৈ চাকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এটেক অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই ৫ মফম অদুদা স্পেসল ফোর্সশিং চঙশিল্লগা চথখিবা ওপরেসন্দা হাৎখ্রে। পুলিসনা মফম অদুদগী য়ামদ্রবদা ফোরেন নেসনল ৪০০ রেস্ক্যু তৌখি। চৈরকসিদা টালিবান্না এটেক অদু মখোয়না পাঙথোকখিবনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে। গ্রুপ অসিগী স্পোক্সমেন জাবিয়ুল্লাহ বুজাহিদনা মখোয়গী সুইসাইদ বোম্মরশিংগী মনুংগী অমনা মফম অদুদা এক্সপ্লোসিভ মরাং কায়না য়াওরবা ট্রক অমা থৌজিন্দুনা এটেক অদু চথখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

## চাইনাদা স্কুলগী অঙাং ৮ থাঙনা থিন্দুনা হাৎখ্রে



বৈজিং, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সি) :
চাইনাগী ময়াই থংবা লমদমদা লৈবা প্রাইমারি স্কুল অমদা নুপা অমনা চথখিবা শাথিরবা থাঙগী এটেক অমদা স্কুল অদুগী মহৈরোয় অঙাং ৮ শিখ্রে অমসুং অতৈ অনীনা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ষ্টেটনা চল্লাইবা মিদিয়ানা রিপোর্টশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮ রোম তারকপদা হুবৈ প্রোভিন্সকী ইন্সি কাউন্টিগী মনুং চনবা মফম অমদা লৈবা চাওয়াংপো গ্রেদ স্কুলদা অনৌবা একাদেমিক চহী হৌবগী অহানবা নুমিত্তা থোকখিবনি হায়না গ্লোবেল টাইমসনা ফোঙদোকখি।

গ্লোবেল টাইমসকী রিপোর্টনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এটেক অদুদা অঙাং ৮ থাঙনা থিন্দুনা শিখি অমসুং অতৈ মহৈরোয় অঙাং অনীনা মশাদা থাঙ্জম কয়া তানা অশোক-অপন নংখি। মশাগী চহী ৪০ শুরবা এটেক অদুদা চেন্নবনি হায়বা মফম অদুদা লৈবা নুপা অমা খুদক্তা পুলিসনা ফাখি।

মীওই অদু মহাক্কা খঙনবা নুপীগী মমিৎ কোৎথোক্কবা হোৎনখিবগীদমক্তা চহী ৮ জেলদা লৈরুরবা হান্নগী কনভিক্ট অমনি। মহাক হৌখিবা মেদা জেলদগী থাদোকখিবনি হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তাখি। থৌদোক অদুনা মফম অদুগী মীয়ামবু খোইরাং-খোইশাওহন্নখিবগা লোয়নননা নেটিজন কয়ানা স্কুলশিংগী ওথোরিটিশিংদা সিক্যুরিটিগী থৌরাং কনখৎহন্নবা তকশিনখি।

# দিমোক্রেসি পুরকপদা মতেং পাংনবা টাইৱানদা তকশিনখ্রে



টাইফৈ, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সি) : হোং কোংদা চহী কয়ামুক্কী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অমা থোক্লিঙৈ চৈরক্তা চাইনানা লৈঙাক্লিবা সিটি অসিগী এক্তিভিষ্টশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা টাইৱান্দা সিটি অদুদা দিমোক্রেসি লাকহনবদা মতেং পাংনবা তকশিনখিবগা লোয়নননা কম্যুনিষ্ট চাইনা হৌদোকখিবগী ৭০ শুবা কুমওন নুমিৎ ওক্তোবর ১গী মাঙওইননা মীয়ামগী রেলি অমা তৌখ্রে।

বৈজিংনা হোং কোংদা লেপ্তুনা খুৎ থিংজিল্লকপগী থৌওংশিংবু য়ানিংদবা উত্তুনা হৌখিবা জুনগী ময়াই থংবা শরুক্তগী সিটি অসিগী ষ্ট্রিটশিংদা মীওই লিশিং কয়ানা ভাওইলেন্স য়াওনা প্রোটেষ্ট কয়া লেপ্তুনা চথরকখিবনি।

প্রো-দিমোক্রেসি এক্তিভিষ্টশিংনা চাইনাদা শীরিবা মরাল কয়া চাইনিজ ওথোরিটিশিংনদি য়াদ্রি। ফ্রীদম কয়া পীরিবা ৱান কন্ত্রি, টু সিষ্টেমস হায়বা ফোর্ম্যুলা অমগী মখাদা হান্নগী বৃটিশ কোলোনি হোং কোং অসি কুমজা ১৯৯৭ তা চাইনিজ লৈঙাক্তা অমুক হল্লকখি।

চাইনানা টাইৱানদসু মান্নবা ফোম্যুলা অসি চৎননবা ওফর তৌখ্রবনি। বৈজিংনা টাইৱানবু তঙাইফদ্রবদি ফোর্স শীজিন্নদুনা মতম অমদা হেক্তা লৌশিন্নবা খন্নরকপা য়াবা লমহেনবা প্রোভিন্স অমনি হায়রিবনি। টাইৱান্দা লৈবা মীওই কয়ানা হোং কোংদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং কুপ্না য়েংশিনদুনা লাকখিবগা লোয়নননা বৈজিংগী রিয়ুনিফিকেসন এজেন্দাবু হান্নদগী হেন্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি।

বৈজিংগী হ্বাইট টেরর অমসুং ওথোরিটরিয়ন রুলগী মায়োক্তা লান অসিবু করম্ম মায় পাকহনগদগে হায়বগী মতাংদা মীয়াম্না পুন্না খন্ন-নৈনদুনা ৱাখল পুথোকপা য়াগনি হায়বগী থাজবা ঐঙোন্দা লৈ হায়না চহী ৫ গী মমাংদা চথখিবা হোং কোংগী প্রো-দিমোক্রেসি অমব্রেলা মুভমেন্টগী মহৈরোয় লুচিংবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লেষ্টর সুমনা টাইপৈদা পাউমীশিংদা হায়খি।

হ্বাইট টেরর হায়বসি কনানা থোকহল্লিবনো হায়বদি খঙদনা অকিবা পোকহনবগী থৌওংশিংবু ফোঙদোকপদা শীজিন্নবা এক্সপ্রেসন অমনি। টাইৱান্দা লৈরিবা মরুপ-মপাংশিংনা হোং কোংগী মুভমেন্টদা তুমিন্না য়েংদুনা লৈবগী মহুত্তা মখোয়সু শোয়দনা শরুক য়াগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ইরানগী রৌহানিনা য়ু এসকা হকথেংননা ৱারী শান্নরোই হায়খ্রে




দুবাই, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সি) :
ইরান্না কৈদৌঙৈদসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা বাইলেটরেলগী ওইনা ৱারী শান্নরোই তৌইগুম্বসুং ৱাশিংটন্না ইরানগী মথক্তা নৌহৌননা থমখিবা অথিংবা পুম্বা লৌথোকপা তারবদি কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিলগী অতৈ পার্টিশিং অমসুং ইরানগী মরক্তা মল্টিলেটরেল ৱারী শান্নবদি য়াগনি হায়না প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এসকা ৱারী শান্নবগী মতাংদা হৌজিক ফাওবদি ৱারেপ অমত্তা লৌবা লৈতে। ৱারী শান্নবগী মতাংদা ঐখোয়দা ওফর কয়া তৌরক্লে। অদুবু ঐখোয়গী পাউখুমদি মতম চুপ্পদা নেগেটিভ ওইগনি হায়না রৌহানিনা ষ্টেট রেদিওদা লাইভ ব্রোদকাষ্ট তৌখিবা পার্লিয়ামেন্টগী ওপন সেসন অমদা হায়খি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইরান্দা প্রেসর খ্বাইদগী চাওনা পীনবা হোৎনবা লৈন-লৈনা ইরানগী লুচিংবশিংগা উনদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা মুক্কবগী ফিভমশিং কনিদসন অমত্তা য়াওদনা বাইলেটরেল ৱারী চথনবগী ৱাফমশিং তত্তনা হৌদোক্কুনা লাকখিবনি।

হৌখিবা থাদা রৌহানিনা করিগুম্বা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কুমজা ২০১৫গী ন্যুক্লিয়র দিলদগী হন্দোকখিবা মতুং লৈবাক অসিনা ইরানগী মথক্তা থমখিবা অথিংবা খুদিংমক লৌথোকক্ত্রিমখৈ মতম শাংলক্কবা য়েক্কবা লৈবাক অসিগা ৱারী শান্নরোই হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

দিল অদুদা য়াওরিবা য়ুরোপিয়ন পার্টিশিংনা ইরান অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা কন্না মুক্করক্লিবদু হন্থহন্নবা অমসুং ইরানগী ইকনমিবু অথিংবশিংদগী ঙাকথোক্কুনা দিল অদুবু কন্ননবা কন্না হোৎনরিবনি। তৌইগুম্বসুং য়ুরোপিয়ন পৱারশিংনা চেকশিনৱা ফোঙদোক্লদুনা মখোয়না দিল অদুবু শৌগৎপা হায়বসি ইরান্না মদুদা য়াওরিবা ৱাফমশিং মপুং ফানা ঙাকপগী মখা পোনগনি হায়রি।

করিগুম্বা য়ুরোপিয়নশিংনা দিল অদুবু কন্ননবা মখোয়গী ৱাশক ঙাক্তবা তারবদি ইরান্না শগোলশেল নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা ন্যুক্লিয়র কম্মিটমেন্টশিংদগী হন্দোক্লবা অহুমশুবা খোঙথাং লৌখৎলগনি হায়না মহাক্না চেকশিন্না হায়খি।

# কালিফোর্নিয়াগী সমুদ্র খোংবান্দা হি অমা মৈ চাকপদা মীওই ২৫ শিরে



সন্তা বরর্বারা, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সি) :
কালিফোর্নিয়াগী খা থংবা সমুদ্র খোংবানদগী পংথাপ থাপ্তুবা ইথৎ অমগী মনাক্তা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অঙনবদা দাইভ বোট অমা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকখিবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবা মীওই ২৫ শিখ্রে অতৈ ৯না থিবা খঙখিদ্রে হায়রি।

কন্সেপসন কৌবা দাইভ-বোট অদু অহিংগী মতমদা পেসেঞ্জর ৩০ য়াওনা দাইভিং ট্রিপ অমা পাঙথোক্লিঙৈদা মৈরিনা মপুং ফানা য়োম্না মৈ চাক্লকখি হায়না সন্তা বরবারা কাউন্টিগী সেরিফ বিল ব্রাওন্না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি।

কোষ্ট গার্দ লেপ্টনেন্ট কম্মান্দর মথিও ক্রোলনা ফোঙদোকখিবদা, রিক্রেসনেল স্কুবা দাইভিং ট্রিপ অদুদা য়ামদ্রবা মীওই ২৫ শিখ্রে অমসুং হৌজিক মখা তানা থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওই ৯ থিবগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

হি অদুগী মখাদা খুদোংচাদবা ফিভম খরা লৈবনা মরম ওইদুনা অতৈ অশিবা হকচাং লৌখৎপা ঙমদনা লৈরি। ভিক্তিমশিংগী মশিং অসি অহানবগী রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্ননি, ওটোপসিশিং পাঙথোক্লবা মতুংদা চপ চাবা মশিং খঙগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

শিখিবা মীওইশিং অমসুং থিবা খঙদনা লৈরিবশিং অদু থাংজনুমিত্তা লেবর দেগী চয়োল লোইশিল্লকপা মতমগী স্কুবা-দাইভি ট্রিপ অমগীদমক্তা কন্সেপসন হায়রিবা হি অদুদা তোংদুনা সন্তা বরবারগী চেনেল আইলেন্দসকী হার্বরদগী খোঙশানখিবা পেসেঞ্জর অমসুং ক্রু ৩৯গী মনুংদগীনি।

মৈ চাকপগী থৌদোক অদু হি অদু লোস এঞ্জেলিসতগী অৱাং নোংচুপলোমদা মাইল ৯০ রোম লাপ্না লৈবা সন্তা ক্রুজ আইলেন্দগী মনাক্তা খাম্নবা হোৎনরিঙৈ নোংঙাইল্লমদাই পুং ৩ লোম তাবদা থোকখিবনি। হি অদুগী ক্রুনা য়াম্না থুনা মতেং লৌনবা হোৎনখিবা লৈখি হায়খি।

ভেসেল এসিস্টেন্ট কম্পেনি টোবোট য়ু এসকী কেপ্টিন পোল অমারলনা লুচিংদুনা অয়াংবা হিং অমা শীজিন্নদুনা ভেনচুরা হার্বরদগী মৈ চাক্লিবা হি অদু তম্না চঙশিনখি। তৌইগুম্বসুং কিলোমিটর ৪৮ লোম লাপ্না লৈবা মফমদু য়ৌবা মতমদা অয়ুক্কী পুং ৫ রোম তাখিবগা লোয়নননা রেস্ক্যুগী থবক পাঙথোকপদা মতম থেংথখি। কোষ্ট গার্দকী হেলিকোপ্টর ১ অমসুং ফয়ারবোট অমনসু মতেং পাংখি।

# ইমরান খান মায় পাকপদগী মায়থিবনা হেনবা মীশক্লি :অসিফা



ইস্লামাবাদ, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সি) :
পাকিষ্টানগী হৌজিক লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান অসি মায়থিবনা মায় পাকপদগী হেনবা মীশক অমনি হায়না লৈবাক অসিগী লৈখিদ্রবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর বেনাজির ভুটো অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিফ অলি জার্দারিগী মচানুপী অসিফা ভুটো-জার্দারিনা ফোঙদোকখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা বি বি সী উর্দুগী এক্সক্লুসিভ ইন্টরভিয়ু অমদা অসিফানা হায়খি মদুদি, ইমরান খান মায় পাকপদগীদি মায়থিবনা হেল্লবা মীশক্লি। মহাক্না লৈঙাক পায়রকখিবদগী ফ্রীদম ওফ স্পিচ, ফ্রীদম ওফ এসোসিএসন, হ্যুমেন রাইটসনচিংবগী মায়োক্তা মীফা-মীপুন কয়া চথরক্লি। অসিফা অসি বেনজির ভুটো অমসুং অসিফ অলি জার্দারিগী মচা অহুমগী মনুংদা খ্বাইদগী ইতোন তোনবীনি। মচিল-মনাও অহুমগী মনুংদা খ্বাইদগী অহল ওইবা বিলাৱাল ভুটো জার্দারি ওপোজিসন পাকিষ্টান পিপলস পার্টিগী চেয়রমেননি।

দোন ন্যুজগী ইন্টরভিয়ু অমদা অসিফানা ইমরান খানগী গভর্নমেন্ট অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট পর্ভেস মুসরাফকী দিক্টেটরসিপকী মরক্তা মান্নবা কয়ামুক লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মুসরফকী কেবিনেট মিনিষ্টরশিংদমক খানগী কেবিনেটতা য়াওইরি হায়বা ৱাফমসু থমখি।

মশাগী চহী ২৭ শুরবা অসিফানা খান্না মমাংদা ৱাশকখিবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা পল্লদুনা হৌজিক্কী প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা পাকিষ্টানি মীয়ামগীদমক্তা থবক্কী ফম মিলিয়ন ১০ ফংহল্লগনি হায়না থাজবা পীখ্রগা হৌজিক্লা থবক অমা ফাওবা ফংহনবা ঙমদ্রি হায়নসু পনখি।

অমরোমদা, ইমরান খান্না থাংঙৈ শেংনা তৌরিবা থবক্তি লৈবাক অদুগী মরা চেৎপা ফিভমদা হান্নদগী হেন্না অকায়বা পীবা অমদি মীওই মিলিয়ন কয়া শেল-থুমগী তং তাদবা ফিভম অমনা মরম ওইদুনা অৱাবা মায়োক্ল হনবনি হায়খি।

খান্না পাকিষ্টানিশিংগী য়ুম মিলিয়ন ৫ শাগনি হায়না থাজবা পীখ্রগা হৌজিক্লা য়ুম অমা ফাওবা শাবা ঙমদবগা লোয়নননা হান্নগী য়ুম মিলিয়ন কয়া মাঙহন-তাকহনবগী থৌওংশিং ওইনা চথদুনা লৈরি হায়নসু অসিফানা ফোঙদোকখি। খান্না অতৈ লৈবাকশিংদগী মতেং নীবগী মহুত্তা শিজগনি হায়রম্লগা হৌজিক্লা লৈবাক খুদিংমক্তা চত্তুনা চাক্লি ফিনিদুনা লৈরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# রসিয়াদা ব্লোগর অমা চহী মঙা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে




মোস্কো, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সি) :
পুলিস ওফিসরশিংগী মচা-মশুশিংদা এটেক তৌনিংবগী ৱাখল পোকহনবগী মরালদা কনভিক্ট তৌখিবা ব্লোগর অমা রসিয়াগী কোর্টঅমনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চহী মঙা জেলদা লৈন্নবগী চৈরাক পীখিবগা লোয়নননা কোর্ট অদুনা ক্রেম্লিনগী ক্রিটিক অনীবুসু লোনা য়াদবা মওংদা প্রোটেষ্ট অমা শীন-লাংবগী মরাল শীখ্রে।

কোর্টনা খোঙথাং অসি সেপ্তেম্বর ৮ দা মোস্কোগী সিটি লেজিসলেচর খনবগী মীখল ফ্রী ওইনা পাঙথোকউ হায়না দিমান্দ তৌরদুনা ওপোজিসন কাঙবুশিংনা প্রোটেষ্ট কয়া চথখিবা মতুংদা লৌখৎলকখিবনি।

ওপোজিসনগী প্রোটেষ্টশিং অদু কুমজা ২০১১-১৩গী মতুংদা রসিয়ন কেপিটেলদা চথরকখিবা খ্বাইদগী চাওবা প্রোটেষ্ট ওইখি। প্রোটেষ্টরশিংনা ওপোজিসনগী কেন্দিদেন্ট কয়া মীখল অদুদা শরুক য়াহন্নবা দিমান্দ তৌখি। অমরোমদা ওথোরিটিশিংনদি মখোয়বু শৌগৎলি হায়বা উৎনবগী তঙাইফদবা সিগনেচর মশিং ৱাৎলি হায়রদুনা মীখল অদুদা মখোয়না য়াওবদা অথিংবা থমখিবনি। ওথোরিটিশিংগী অথিংবা অসিবু ওপোজিসন্না শীংনদুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা, রসিয়ন ওথোরিটিশিংনা ওপোজিসন প্রোটেষ্ট খরদা অয়াবা পীখিবা লৈরবসু অতোপ্পা প্রোটেষ্টশিংগীদি অয়াবা পীয়ু য়াখিদে। ইরাং অদুদা হৌখিবা জুলাইগী ময়াই চনবা শরুক্তগী তোঙান তোঙানবা রেলিশিংদা পুলিসনা মীওই ২০০০ হেন্না মতম খরা ফাজিন্দুনা থমখিবগা লোয়নননা পাক্তক্লনা ইরাং হৌবদা শরুক য়ারিবা মীওই দজন কয়াগী মথক্তা ক্রিমিনেল কেসশিং লৌখৎখি অমসুং এক্তিভিষ্ট কয়া অমনা মতম খরগী ওইনা জেলদা থমজিনখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মোস্কোদা লৈবা কোর্ট অমনা ব্লোগর ভ্লাদিস্লাভ সিনিটসাবু জুলাই ৩১ দা মহাক্না ত্বিটরদা থাগৎখিবা ৱারোল অমগা মরী লৈননা এক্সট্রিমিজমগী মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখি। ব্লোগর অসিনা মহাক্কী ত্বিটতা প্রোটেষ্টরশিংগী মায়োক্তা ভাইওলেন্স চথরিবা পুলিস ওফিসরশিং মখোয়গী মচা-মশুশিংদা টার্গেট তৌরকপগী ফিভম থেংনরকপা য়াই হায়না ইখি।

# য়ু এস, ফ্রান্স, বৃটেন য়েমেনগী ৱার ক্রাইমশিংদা চেন্নবা য়াই



জিনিভা, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সি) :
সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন্দা ইন্টলিজেন্স অমসুং লোজিষ্টিক্স সপোর্ট পীদুনা লানগী টেক্টিক অমা ওইনা মীচংশিংবু চারা হেনবনচিংবা অৱাবা কয়া মায়োক্লহনবা মওংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, বৃটেন অমসুং ফ্রান্সনা য়েমেনদা ৱার ক্রাইমশিং থোকহনবদা মতেং পাংই হায়না লৌবা য়াই হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

অরাব ষ্টেটশিংগী কোলিসন অমা অমসুং য়েমেনগী কেপিটেল কন্ট্রোল তৌরিবা হৌথি মুভমেন্টকী মরক্তা চথরক্লিবা চহী ৪গী কনফ্লিক্ট মনুংদা থোক্লিবা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌদোকশিংগী মরমদা পুথোকখিবা খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্টতগী য়ু এন ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ইন্টরনেসনল ৱার ক্রাইমস সস্পেক্টশিং ওইবা য়াবশিংগী অরোনবা লিষ্ট অমা শেমখি।

ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ৱার ক্রাইমশিং ওইবা য়াবা থৌওং অমসুং ফিভম কয়া লৈরম্বা থেংনখিবগা লোয়নননা নোংচুপ্লোমগী লৈবাকশিংনা অরাব ষ্টেটশিং শৌগৎপগী মওং অমসুং ইরান্না হৌথিশিং শৌগৎপগী মওংশিংসু হায়লাইট তৌখি।

রিপোর্ট অদুনা সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটনা লুচিংবা এন্টি-হৌথি কোলিসন অদুবু এয়র ষ্ট্রাইক চথদুনা মীচমশিং হাৎপগী অমসুং চাক তাংবা অরুবা ফিভম অমা মায়োক্লরিবা লৈবাক অদুদা অতম্নানা মীয়াম্বু চাবা ফংহন্দনবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীখি। হৌথিশিংগী ওইনদি রিপোর্ট অদুদা মখোয়না সিটিশিংদা সেল কয়া কাপশিন্দনা অমাঙ-অতা থোকহনবগা লোয়নননা অঙাং ওইরিবা লান্মীশিং দিপ্লোই তৌই অমসুং সিভিলিয়নশিংগী মফমশিং পায়শিন্দুনা থম্বগী ৱার ফ্যের চথৈ হায়না মরাল শীখি। কুমজা ২০১৪দা হৌথিশিংনা য়েমেনগী গভর্নমেন্টবু কেপিটেল সানাদগী তান্থোকখি। সানাদগী তান্থোকখিবা গভর্নমেন্ট অদুবু হঞ্জিনহন্নবগীদমক্তা মথংগী চহীদা সাউদিনা লুচিংবা সুনি মুস্লিম ষ্টেটশিংনা য়েমেন্দা খুৎ থিংজিনবা হৌখিবনি।